# ষণগা ঙাগা পূন্না য়োকমিন্নবা

**ডাঃ সরাংথেম জেসমারানি**

পৃথ্বিগী মপান্দা রিংবন্দ শেল্লগা ষণ লোয়দুনা ষন্থি-ষণয়ুং অমদি অরেম্বা মচীঞ্জাকশিং ঙা য়োক্লিবা পৃথ্বিদা থাদদুনা ঙাগী মচীঞ্জাক ওইহন্নবা শীজিন্নদুনা পূন্না ঙাগা ষণগা য়োকমিন্নবসি হান্নদগী হৌনা চৎনরক্লি। অদুবু মসিদা খরা নিংথিনা কাঙলোন চুম্না য়োকপীরগদি হেন্না শেন্দোং লৈনা য়োকপা ঙমগনি।

**ষণগা ঙাগা পূন্না য়োকমিন্নবগী কান্নবশিং :**

ক) মতম অমত্তদা ষণ অমদি ঙাদগী শেন্থোক ৱাংনা লাকপা ঙম্মী।

খ) ষণ লোয়বদা শীজিন্নরিবা ঈশিং পূম্নমক পৃথ্বিদগী ইরায় লায়না শীজিন্নবা ঙমহল্লি। ঈশিংগীদমক ৱাদে।

গ) ষণগোন শেংবগী মচুম পৃথ্বিদা তাশিল্লগা ঙাগী মচীঞ্জাক ওইহল্লি। মসিদসু নত্তনা অরেম্বা মচীঞ্জাক পূম্নমক পৃথ্বিদা থাদদুনা ঙাগী মচীঞ্জাক ওইবা য়াই।

ঘ) মপূং ফারবা ষণ অমনা চহী অমদা ষন্থি কেজি ৪,০০০-৫,০০০ অমদি ষণয়ুং লিটর ৩,৫০০-৪,০০০ ফাওবা পুথোকই। হায়রিবা ষন্থি-ষণয়ুংশিং অসি পৃথ্বিদা থাদবা মতমদা মিনট অমদা সেন্টিমিটর ৬কী চাংদা লুপথৈ। মসিনা পৃথ্বিদা লৈরিবা ঙাশিংনা ষন্থিদা য়াওরিবা চাবা য়াবা খুদিংমক চাবা ফংহনবতা নত্তনা পৃথ্বি মনুংদা লৈরিবা ঐখোয়গী মীৎনা উবা ফংদবা ঙাগী মচীঞ্জাক ওইরিবা প্ল্যাঙ্কটোনশিংগী মশীং য়ামহনবদা চাউনা মতেং পাংই।

ঙ) ষন্থি-ষণয়ুংদা য়াওরিবা নাইট্রোজেন চাদা ১.৪১-১.১৭ ফোসফরস ০.৩৭-০.৩৯ অমদি পোটাস ১.৮-২.০ য়াওবা মরম্না ঙাগী মচীঞ্জাক ওইরিবা ফাইটোপ্লাঙ্কটোন অমদি জুপ্লাঙ্কটোনগী মশীং হেনগৎহল্লি। মরম অসিনা অতোপ্পা/তোঙানবা হার হাপ্পগী মথৌ তাদে। মসিনা ঙা চাউনবা হোৎনবদা চঙগদবা শেনফমদু চাদা ৭০গী মথক্তা হন্থহল্লি।

চ) করিগুম্বা মতমদা ষণশিংদু পৃথ্বিগী অকোয়বদা পুথোক্তুনা শজিক চাহন্দুনা ষন্থি-ষণয়ুংশিংদু পৃথ্বিদা কোয়রগা থাদবসু য়াই।

**ঙা য়োক্লবা পৃথ্বি শেন্বা :** ঙা য়োক্লবগী পৃথ্বিসি মিটর ১.৫ - ২.৫ মুক লুনা তৌবিদুনা শুনু অমদি ষন্থি পরী অমদা কেজি ৩,৭০০গী চাংদা চাইথোকপীরবা মতুংদা নুমিৎ ১৫নি লৈরগা ঈশিং চনবীগনি মতুংদা হাপ্তা অমা লৈরগা ঙা মচাশিং সী এম ১০দগী তাদনা নৎত্রগা ১২-১৫ গ্রাম লূম্বা ঙা মচাশিং থাদবীগনি। ঙাগা ষণগা পূন্না লোয়মিন্নগদবনিনা ঙা মখল শুনা য়োকপনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। পরি অমদা ঙা মশীং অসি ৭,০০০ - ৮,০০০ গী চাংদা থাদবা য়াই। অদুবু নোর্থ ইষ্টকী ওইনদি ১০,০০০ ফাওবা থাদবা য়াই হায়না ফিসরি এক্সপার্টশিংনা থন্মী। মসিদা ঙা মখল ৬ হায়বদি কটলা (২০%), সিলভর কার্প (২০%), রৌ (২০%), মীরগল (১৫%), গ্রাস কার্প (১০%) অমদি কম্মন কার্প (১৫%) অসি থাদবা য়াই। ঙা থাদবা মতমদসু জুন-সেপ্টেম্বর ফাওবগী মতমদা থাদবীরগা চহী অমা থম্বীরগা ফাদোকপীবা য়ারে।

**ষণগোন শাবা অমদি ষণ থম্বা :** ঙাগা ষণগা পূন্না য়োকমিন্নবদা পৃথ্বিগী রিংবন্দদা ষণগোন শাবনা খ্বাইদগী ফৈ। মরমদি মসিদা ষন্থি-ষণয়ুং অমদি মচীঞ্জাক অরেম অপা খুদিংমক পুথোক-পুশিন তৌবগী লেবর চার্জ হন্থহল্লি। ষণগোন শাবা মতমদা নুংশা নিংথিনা ফংবা মফমদা ওইগদবনি। ষণগোন শাবা মতমদা লৈমায়দগী ৱাংখৎনা শাবীগনি অমদি পৃথ্বিরোমদগী ষণগোন্দা ঈশিং তূংদনবা খরা ঙমথহনগনি। ষণগোন্দু নান্থুদনবা কনক্রিট ওইনা তৌবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। ষণগোন মথক কুপ্পসি টিন নৎত্রগা ঈনা কুপ্পীবা য়াই।

ঐখোয়গী লমসিদা লৈরিবা ষণশিংসি ময়ায় ওইরপ্পা চাউবনিনা পরি অমগী পৃথ্বিদা ষণ ৫-৬ ফাওবা থম্বীবা য়াই। অদুগা অপিকপা ষণ ওইরগনা ৮-৯ ফাওবা থম্বীবা য়াই।

**ষণগোন শাবগী পাক চাউবা :**

| | | |
|---|---|---|
| ষণ লেপফম মফম ওইগদবা | - | ১.২ X ১.২ স্কৱার মিটর/ষণ |
| শজিক চাফম | - | মরাক - ০.৬ মিটর/ষণ<br>লুবা - ৩০ সী এম |
| ষন্থি-ষণয়ুং চেনবা নলা | - | পাকপা - ২০-৩০ সী এম |
| | | লুবা - ২.৫ সী এম |
| ষণনাও মচাগী কা | - | ১ X ১ স্কৱার মিটর/ষণনাও |
| হাতম থম্নবা | - | ২ X ১ স্কৱার মিটর/হাতম |

পীজ-পীথকপা :

| শঙ্গোম থোকপা লিটর/দে (কেজি) | মফোনগী শরুক (কেজি) | শজিক (কেজি) | চৱৃ |
|---|---|---|---|
| ৫ | - | ৩৫ | ৩.৫ |
| ৭.৫ | ১.২ | ৩৫ | ৩.৫ |
| ১০ | ২.৪ | ৩৫ | ৩.৫ |
| ১২.৫ | ৩.৬ | ৩৫ | ৩.৫ |
| ১৫ | ৪.৮ | ৩৫ | ৩.৫ |
| ২০ | ৭ | ৩৮ | ৩.৫ |

**(সোর্স : এন আই এ এন পি, বেঙ্গলোর)**

মসিগী মথক্তা ঐখোয়না থুম অমদি মিনরেল, ভিটামিনসু য়াওনা পীজবীগনি।

**লায়না ঙাকথোক্লবা :** লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্লবা ষণশিংবু লূ-নান্না থম্বীবা মথৌ তাই। মসিগী মথক্তা মতম মতমগী ওইবা টিকা কাপ্পীবা অমদি তীলগী হীদাক থাবীগনি।

**পৃথ্বিদা শুনু শীজিন্নবা :** ক্বিক লাইম শুনুসি পরি অমদা কেজি ২৫০/৩০০গী চাংদা শীজিন্নবা য়াই। মসিদা শরুক মরি থোকপগী অমনা পৃথ্বি তৌবদা শীজিন্নরগা লেমহৌরিবা শরুক অদুনা খায়দোকপীরগা থা খুদিংগী চহী অমা চুপ্পা চাইবীবা য়াই।

**ঙাগা ষণগা পূন্না য়োকমিন্নবদগী পুথোরকপা পোথোক :** চহী অমদা পরি অমদা ষণ ৫-৬ থল্লগদি শঙ্গোম লিটর ৯০০০, ঙানা ৩০০০-৪০০০ কেজি/পরি/চহীদা ফংবা ঙম্মী।

ঐখোয়না ঙা খক্তং য়োকপগী মহুত্তা অতোপ্পা এন্টরপ্রাইজ অমা হাপ্পীদুনা হেন্না শেন্দোং লৈনা অমদি তুং কোইনা লৈনবা হোৎনবীগনি। ●

# ঘোষ্ট ফিশিং

**ডাঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ**

ঙা ফাবদা শীজিন্নরিবা লাং নৎত্রগা ঙা ফাবদা শীজিন্নরিবা খূৎশু খূৎলায়শিং খুদম ওইনা হায়রবদা লূগুম্বা ময়াম অসি ঈশিংদা তাদুনা লৈরবদি ঙা ময়াম শিবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নে। করিগুম্বা ঙা ফাবা চৎলিবা ঙামী অদুনা মহাক্না শীজিন্নরিবা লাং অদু শেগাইরে নৎত্রগা করিগুম্বা পোৎশক অমদা পন্দুনা লৌখৎপা ঙমদ্রে হায়দুনা অদুম থল্লম্বা তারবদি মদুদা ঙা কয়া চঙলুবদগী থোক্লকপা ঙমদদুনা শিগনি। হায়রিবা থৌওং অসি লাং অদুনা পৎতুনা তুমদ্রিবা ফাওবা অদুম চথুদুনা লৈগনি। মরম অদুনা ঙা কয়া ঐখোয়না চাবগী ওইনা শীজিন্নবসু নত্তবদা অদুম শিজখিগনি। হায়রিবা থৌওং অসিবু ঘোষ্ট ফিশিং হায়না খঙনৈ। থৌওং অসি অচৌবা ঈশিং হায়বদি সমুদ্রগুম্বদনা হেন্না থেংনৈ।

সমুদ্রদা ঙা ফাবা চৎলিবা ঙামীশিং অসিনা শীজিন্নরিবা লাং/লূশিং অসি মাঙখিবা নৎত্রগা তাহৌবা নৎত্রগা শেগাইবদগী শীজিন্নবা য়াররোই হায়দুনা হুন্দোক্লম্বা তারবদি চহী কয়া কয়া ঙা শিহন্নবগী থৌওং অমা ওইহল্লি। থৌওং অসিদা শিহল্লিবসি ঙাখক নত্তে, মেরিন মমলস, উচেকশিং অমদি থেঙ্গুনচিংবা অতোপ্পা কান্নরবা নৎত্রগা অতাঙবা জীব কয়াসু মশীং থিঙমদনা য়াওরি।

ঘোষ্ট ফিশিংগী থৌওং অসি ঐখোয়গী লমদম অসিদসু য়াম্না তোয়না থোকপা থৌওং অমনি। খুদম ওইনা হায়রবদা লোক্তাক পাৎতা লাং থাকপা মতমদা মাঙখিবা কয়া থেংনবীরমগনি নৎত্রগা লাং কয়া শেগাইরে, শীজিন্নবা য়াররোই হায়দুনা থল্লম্বা কয়াসু য়াওরমগনি। হায়রিবা লাংশিং অসি পৎতুনা মাঙখিবা মতমদা য়াম্না কুইনা চঙবা মরম্না লাংশিং অসিনা লৈরিবা মখে ঙা নৎত্রগা অতোপ্পা জীব কয়া অদুম শিহন্নবগী মচাক অমা ওইহল্লি।

অতোপ্পা খুদম অমা পল্লবদা মফৌ রিজার্ভর অসি উ কয়া হৌরল্লগা ঈশিংনা থুমজিন্দুনা ওইখবনিনা হৌজিকসু ঈশিং মনুংদা উ কয়া লৈরি। মসিগুম্বা উশিং অসিদা পন্দুনা লৈবা লাং কয়াদা ঙা অমদি অতোপ্পা জীব কয়া শিহন্নবগী মচাক অমা ওইরি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয় মীওইবশিং মরু ওইনা ঙা ফাবা চৎলিবা মীওইশিংনসু উরুবা নত্তবনিনা কয়া থৌশানদে। হায়রিবা লাংশিং অদু উশিং অদুদা পন্দুনা লৈবনিনা ঈশিং ময়েং তাখিবা মতমদনা মফম অদুদা চাক্তাবা লাকপা উচেকশিংবু শিহন্নবগী মচাক অমুক ওইহল্লি।

হায়রিবা থৌওং অসিনা অতাঙবা জীব কয়া মুৎখিনবগী অচৌবা মচাক অমা ওইরি। সমুদ্রগুম্বা অচৌবা ঈশিংদা থোকপা ঘোষ্ট ফিশিংগী মরমদদি করম্না থোকহল্লোইদগে, করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বনচিংবা য়াম্না থেংনৈ। মরমদি হায়রিবা মফম অসিগী ফিসরিজ অসি য়াম্না ওর্গনাইজদ ওইবা অমদি ফিশিং রিগুলেসন ফজনা চৎনবননি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়গী লমদম অসিদদি ফিশরিজগী রিগুলেসনশিং ফজনা চৎনহনবা ঙমদবা অমদি অপীকপা ঈশিংশিং খুদম ওইনা হায়রবদা লোক্তাক পাৎ নৎত্রগা মফৌ রিজার্ভর হায়রিবা মফম অসিদা চথুরিবা ঙা ফাবগী থৌওং অসি ফজনা ওর্গনাইজদ ওইবা থৌওং ওইদবা মরম্না ঘোষ্ট ফিশিং অসি ঙাকথোক্লবগী থৌরাংশিং লৌখৎপদা খুদোংচাবা খরা ৱাৎকনি।

**ঘোষ্ট ফিশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বে খরা থমজরবদা -**

১) ঙা ফাবদা শীজিন্নরিবা লাংশিং/লূনচিংবা শেম্বদা শীজিন্নরিবা মচাকশিং অদু প্লাষ্টিক্কুম্বা নত্তবা খরা থুনা পথুবা ঙম্বা পোৎশকশিংনা শেম্বা ওইগদবনি।

২) ঙা ফাবা চৎখিবা মতমদা পুখিবা লাংশিং অদু হল্লকপা মতমদা অমুক পুরকপ্রা হায়না চেক তৌবা।

৩) ঙা ফাবগা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংগী লীচিং মখাদা ঙামীশিং অমদি ঙা ফাবগী থবক্কা মরী লৈনবা মীওইশিংবু ঘোষ্ট ফিশিংগী মরমদা খঙহনবীবগী তঙাইফদবসু লৈরি। ●

# Dapog (লৌহোন) শেম শাবা

**ডাঃ ৱাইখোম জিতেন**

লৌফমদা থাগদবা ফৌগী মরূবু মতোন থোকহল্লগা নৎত্রগা থোকহন্দনা অপীকপা মফম অমা হৌহন্দুনা শেম্বা চারাবু লৌহোন কৌই। ঐখোয়না পায়খৎকদৌরিবা লৌউ কাঙলোন অমদি নোংজু-নুংশাগী তোঙান-তোঙানবা ফীভমশিংগী মতুংইন্না লৌহোন শেম্বগী মওংসু তোঙান-তোঙাল্লি। ঈশিং-ঈচাউ থোকপদগী হান্না থারুবা ফৌশিং লোইনা শিথ্রবা অদুগা অমুক লৌহোন শেম্বসু থেংগদৌরবা, ঈশিং ঈমায় হন্থদবনা মফমদুদা পাম্ফেল হুনজিনবগী খুদোংচাবসু লৈত্রবা, অতেনবা মতমগী মনুংদা অপীকপা মফমদা শেম্বা য়াবা লৌহোন শেম্বা মওং অমনি দেপোগ লৌহোন। হায়রিবা লৌহোন হুনবগী কাঙলোন অসি ফিলিপিন্সতগী ইন্দিয়াদা ইহান হানবা ওইনা অন্ধ্র প্রদেশ হায়বা ষ্টেট অদুদা পুশিল্লকখি।

থৌওং অসিদা হুনবা লৌহোন্না লৌহোন হুনবগী মতম তঙ্খাইগী ময়াদা তেনশিলহল্লি। চুম্নগী মতম তেনশিলহনবা খক নত্তনা লৌহোন হুনবদা চঙগদবা লমসু হন্থহল্লি। মসিনা লৌ পরি অমগী লৌহোন হুনবদা চঙগদবা লম ৫০০-৮০০ স্কৱার মিটরগী লমগী মহুত্তা শুপ্নগী স্কৱার মিটর ৩০-৫০গী লমদমক চঙহল্লি। লৌহোন মখল অসি চয়োল অনীগুম্বদগী হেন্না হিংবা ঙমদে অমদি লৌহোনবগী পাজেং য়াম্না পীকই অমদি লৌহোন অদুসু পীকই অমদি নৌই।

লৌহোন মখল অসি লৌবুক্তা হুনবগী মহুত্তা নুংশা ফংবা য়ূমগী মচি অমদা হুনবনা খ্বাইদগী ফৈ। অতৈ লৌহোন্দগী লৌহোন মখল অসি মরূ চঙবগী চাং হেল্লি। লৌ পরি অমগী লৌফমদা থানবগীদমক ফৌ কেজি ৯০-১২৫ লৌবীগনি। ফৌ কিলোগ্রাম ২.৫-৩গী লৌহোন হুন্নবগীদমক স্কৱার মিটর অমা পাক চাউবা লম মথৌ তাই। লৌহোন হুনগদবা মফম অদু মিটর ১.৫দগী হেন্না পাকহল্লোই অদুগা অশাংবদি ঐখোয়না খুদোংচাগদবা য়েংলগা তৌবীগদবনি।

লৌহোন শেমগদৌরিবা মফম অদু বিলাটিমাটিনা নিংথিনা চনশিনবীরবা লৈমায় নৎত্রগা লৈতেম মান্নবা শুমাংগী মচি অমদা প্লাষ্টিক সীট নৎত্রগা লফু মনানা কুপশিন্দুনা হুনগদৌরিবা ফৌশিং অদু লৈবাক্কা থেংনদনবা শেন্বীগনি। লৈমায় অদু কুপ্পীনবগীদমক লফু মনা শীজিন্নবীরবদি লফু মনাগী ময়ায় থংবা তোংথোক্লগা লৈবা শরুক অদু লৌথোকপীগনি। লৌহোন হুনগদবা মফম অদুগী অকোয়বদু লফু তোঙ্গানা ইকোয় কোয়না খাজিনবীরগনি। লৌহোন হুল্লবা মতুং লফু তোঙ্গাশিং অদু ইন্থোরক্তনবা ৱাচেংকী হুই শেম্বীদুনা তোঙ্গাশিং অদু লৈমায়দা য়ৈশিনবীগনি নৎত্রগা উবাক/চেক্ল ইকোয় কোয়না ঙাকশিনবীগনি। ফৌ হুনবীবা মতমদা ফৌশিং অদু মরূ ৩ লোনখৎনবা ফাওবগী অথাবগী চাংদা লৌহোন হুনবীগনি।

লৌহোন হুনগদবা মরূশিং অদু হৈজিং-হৈগাই ওইবা মরূশিং খন্দোক্লবগীদমক পাত্র অমদা হাপ্পীরগা ঈশিং হৈজিনবীদুনা ওৎপীগনি। অসুম্না ওৎপদা তাওখৎলকপা ফৌহাম/মপূং ফাদবা ফৌশিং লৌথোকপীরো অদুগা পুং ২৪-৩৬ ফাওবা ঈশিং ঈচমদা তিংবীরবা মতুং ফৌ অদু ঈশিংদগী লৌখৎপীরগা মুচ্ম খল্লবা মতুংদা Carbendezime 50% হায়রিবা হীদাক অসি গ্রাম ২/২ ফৌ কেজি অমগী চাংদা লৌবীরগা তোৎশিনবীরবা মতুং পুং ২৪-৩৬ ওম্বীগনি। ফৌ ওম্বা মতমদা ফৌশিং অদু য়াম্না কঙবগী মওং উরবদি ঈশিং লুম্বু-লুম্বু শাবনা ওল্লিবা বোরা মথক অদুদা ওন-ওন্দুনা খিকপীগনি। অসুম্না ওল্লবা ফৌশিং অদু শেন্দ্রাং মখয়াৎ শাবগা ফৌশিং অদু হুনবীগনি। ফৌ হুনবা লোইরগা পেরে/হীদাক কাপ্নবা পম্প অমগী মতেংনা ঈশিং পারপ্পা চাইবীগনি। ঈশিং চাইবগী খ্বাইদগী ফবসি হীদাক কাপ্নবা পম্পনা চাইবীবনা ফৈ। ঈশিং চাবা লোইরগা উচা অমনা তপ্পপ্পা নমথবীগনি।

মথক্তা পনখ্রিবা অসুম্না উচানা নমথবা অমদি ঈশিং চাইবা অসি নোংমদা ৩/৪দগী তাদনা তৌবীগনি। হুনখ্রিবা ফৌশিং অদু উচানা নমথবীদ্রবদি মখা থংবদা লৈখিবা ফৌশিংনা হৌগৎনবা হোৎনবদা মথক থংবা ফৌশিং অদু কাঙখৎলকই অমদি কঙশিল্লকই। অসুম্না নুমিৎ মরিনিগুম্বা চথুবীদুনা ফৌশিংগী মরাশিং অদু লৈমায়গা তাইনবদা লৈরিবা ঈশিংগা থেংনহনগনি। মসিগী মতুংদা লৌহোন হুল্লিবা মফম অদু ঈশিং ইঞ্চি অমমুক থানা লৌহোনশিং অদু ফদ্রিবা ফাওবা থম্বীগনি।

অসুম্না শেল্লবা লৌহোন অদু নুমিৎ ৯-১৪ ফাওবগী মনুংদা লিংথোকপীগনি। লৌহোন অদু লিংথোক্ল বগীদমক মকক-মকক ককপীগনি অদুগা ফককোনশিনবগুম পাম্বীগী মরানা মপাল থংলগা মনাগী শরুক্ল মনুং থংলগা কোনশিনবীগনি অমদি লিংথোক্কদৌবা মফমদা পুবীগনি। চেকশিনবীগদবদি ফৌ পাম্বীগী লোনশিন্দুনা লৈরিবা মরাশিং অদু তপ্না-তপ্না লৌথোক্কদবনি অমদি ফৌ লিংথোকপা মতমদা চুক অমদা পাম্বী ৩-৪ ফাওবা শোয়দনা থাবীগনি। লৌহোন মখল অসি ফোইবগী খুলং তিংদ্রবসু লৌ লিংবদা খুলং খরা হেন্না চঙই। নীংশিংবীগদবদি লৌহোনশিং অদু নেম্বনিনা লৌ লিংগদবা মফম অদু য়াম্না লৈতেম মান্ননা উকায় তকপীরগা ঈশিং থাদোক্লগা লিংবীগনি।

লিংথোকপা য়ারবা লৌহোনশিং অদু ফুক্কদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা Chloropyriphos 20%/ Chlorantraniliprole/Thiamethoxam গুম্বা অমা কাপথোকপীয়ু। ফীভম মতমগী মতুংইন্না চান্নবা লৌহোন শেম্বগী কাঙলোন খনবীদুনা ফৌ থাবীদুনা অহেনবা পুথোক্লবা হোৎনমিন্নরসি। ●

# ইন্টিগ্রেটেদ পেষ্টস মেনেজমেন্ট শীজিন্নদুনা ফৌদা তাবা তীলশিং ঙাকথোকপা - (২)

**লোংজম বোরিস**

**ঈ) অহিংবা জীবশিং শীজিন্নবা :**

• *Trichogramma japonicum* and *T chillonis* হায়রিবা তীল মখল অনী অসি 1lakh/ha গী চাংদা শীজিন্নবীদ্রবদি ময়োন চিকপা অমদি মনা কোনশিনবী তীলশিং লাকশিনবদা মতেং পাংই।

• চরাং, মিরাং মখল খরা, কৌজেং মখল খরা, *Apanteles, Tetrastichus, Telenomus, Trichogramma, Bracon, Platygaster* হায়রিবা তীলশিং অসি লৌফমদা লৈজবা তীলশিংনি। হায়রিবা তীল অসি য়োকখৎপীবা অমদি মশীং হেনগৎপীবা তারবদি ফৌদা তারিবা তীলশিং অসি লাকশিনবদা চাউনা মতেং পাংই। লৌফমগী মতাইদা সনারৈ (মেরিগোল) অমদি Sunhemp থাবীরবদি কান্নরবা তীলশিং অসি মশীং হেনগৎলকই।

• লৌফমদা উচেক তোংফম শেম্বীবনা উচেকশিংনা তীলশিং ফাদোক্তুনা চাবদা চাউনা মতেং পাংই।

• লৌফমদা চৱৃ মপুন থম্বনা মীরাংশিং অসি মশীং হেনগৎপদা চাউনা মতেং পাংই।

**এফ) কেমিকেল মেনেজমেন্ট :**

Integrated pests management থৌরাংদা কেমিকেল পেষ্টিসাইদশিং শীজিন্নদুনা তীলশিং লাকশিনবা হায়বা অসি অরোইবা পাম্বে ওইনা পায়খৎলি। কলচরেল, মেকানিকেল অমদি অহিংবা জীবশিং শীজিন্নদুনা লৌখৎপা থৌরাংশিং অসিনা মায় পাক্ত্রবা মতম খক্তদা পায়খৎকনি। অদুগা তীলশিং অসি economic threshold level (ETL) য়াওরবা মতম খক্তদা ঐখোয়না হীদাক কাপ্পগী থৌওং অসি পায়খৎকনি।

ফৌদা তাগনবা মরু ওইবা তীল খরা ফৌ ষ্টেজগী মতুংইন্না ঈ টি এল মখাদা পীজরি :

| পাম্বীগী ষ্টেজ | তীল মখল | ইকোনোমিক থ্রেসহোল্ড লেভেল (ঈ টি এল) |
|---|---|---|
| নর্সরি (লৌহোন) | য়েল্লো ষ্টেম বোরর (নুংয়েং/ময়োন চিকপী)<br>Root knot nematode | 1 egg mass/$m^2$<br>1 nematode/g soil |
| Early to midtillering stage | Leaf folder (মনা কোনশিনবী তীল) | তীলনা চাথোক্লবা মনা অনীগা লোয়ননা তীল অনী পান্দোং অমদা (2 fully damaged leaves with larvae per hill) |
| (মচা পোকপা মতম) | Stem borer (নুংয়েং/ময়োন চিকপী) | মরূম চবুন অনী মিটর স্কৱার অমদা নৎত্রগা ফৌ চরোং শিবগী চাং ১০% ওইরবা নৎত্রগা মিটর স্কৱার অমদা কুরাক অমা পাইরবা নৎত্রগনা হাপ্তা অমদা কুরাক ২৫গী চাংদা লাংদা ফারবা (2 egg mass/$m^2$ or 10% dead heart or 1 moth/$m^2$ or 25 moths per trap/week) |
| | Gall midge (উতোং শাৎপী) | মিটর স্কৱার অমদা উতোং অমা য়াওরবা নৎত্রগা সিলভর শুট অসি ১০% ওইরবা ( gall/$m^2$ or 10% silver shoot) |
| | Brown plant hopper (ৱাইকুপ মানবী তীল)<br>Rice case worm (মরেক) | ১০-১৫ হোপ্পর (ৱাইকুপ মানবী তীল) পন্দোং অমদা<br>2 fully damaged leaves/hill (পান্দোং অমদা তীলনা চাথোক্লবা মনা অনী) |
| | Swarming caterpillar (মনা অমদি চরোং ককথৎপী) | 1 damaged tiller/hill or 2 larvae/$m^2$ (মিটর স্কৱার অমদা তীলগী মচা অনী নৎত্রগা তীলনা মাঙহল্লবা ফৌ পাম্বী ১) |
| Panicle initiation (মপাল তম্বা মতম) | Stem borer (নুংয়েং/ময়োন চিকপী) | 2 egg mass/$m^2$ or 1 moth/$m^2$ or 25 moths/trap/week |
| | Leaf folder (মনা কোনশিনবী) | 2 FDL/hill (তীলনা তুম্না মাঙহল্লবা মনা অনী পাদোং অমদা) |
| | BPH/WBH (ৱাইকুপ মানবী তীল) | 15-20 hoppers/hill (ৱাইকুপ মানবী তীল ১৫-২০ পান্দোং অমদা) |
| Flowering to milky grain (flowering শাৎল-পা মতম) | Gundhi Bug | 2 bugs/hill (তীল মচা অনী পান্দোং অমদা) |

ফৌদা তাবা তীলশিং লাকশিন্নবা তীল হীদাক খরা

| পেষ্টস | পেষ্টিসাইদস |
|---|---|
| নর্সরি (লৌহোন) | |
| Gall midge (উতোং শাৎপী) | Chlorpyriphos 20% EC 500 ml/ac<br>Fipronil 5% SC 400-600 g/ac<br>Fipronil 0.3% GR 6.5-10 kg/ac |
| Stem borer (ময়োন চিকপী/ নুংয়েং) | Chlorantraniliprole 18.5% SC 60 ml/ac<br>Chlorantraniliprole 0.4% G 4 kg/ac<br>Chlorpyriphos 20% EC 500 ml/ac<br>Fipronil 5% SC 400-600 g/ac<br>Fipronil 80%WG 20-25 g/ac<br>Flubendiamide 20% WG 50 g/ac ● |

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৪**

১) **''বোমা তাদুনা লৈবাক কাইনখিবদগী ফোংবা ঙমদদুনা লৈরুবনি। মরুপ মপাং ময়াম্না ঐগী লাইরিক অতে পাবিরগা পিবিরকপা উৎসাহদগী লাইরিক অসিমসু ফোংবা ঙমজরি।''** মথক্কী ৱাহে পরেং অসি লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা অইবনা পনবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অদুগী মমিং করি কৌবগে?

২) "The Recluse in Solitude Speaks" হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবগী মমিং হায়য়ু।

৩) **''অহিং অমগী ৱারী''** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মপানগী অইবা অমগী ৱারীমচাগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপা ৱারীমচা অমগী মমিংনি। লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে অমসুং কনানা ইবনো?

৪) **''হেচীমিনগী মঙালদা ঙাওজরুই''** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) **''নীংশিংবগী পোথাশঙ''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।